# হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেন, দিসেম্বর ২২, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২৬৩শুবা মশীং


## জুকো ভেল্লি
## মতম চূপ্পগী ওইনা ব্রাখৈনবা চুমগনি

জুকো ভেল্লি - মহৌশাগী নীংথিজনা ফজরবা শক্তমশিংনা পীক থনবা, শিজনেলগী ওইবা লৈশিং শাৎপা অমসুং অতাঙবা ফ্লোরা অমসুং ফাওনাশিং মরাং কাইনা লৈবা মফমনি। মফমসি সমুদ্র ঈমাইদগী মিটর ২,৪৫২ অমসুং ফুট লিশীং ৮ লোম ব্রাংবনা অয়াম্বা মতমদা ঈংদুনা লৈবা মফমনি। ভেল্লি অসিগী শরুকশিং উননা কুপশিন্দুনা লৈবনসু অমুক্কা হেন্না মতিক ময়াই হেনগৎহল্লিবনি। মরম অসিনা হৌজিক্তি জুকো ভেল্লি অসি তাঙলবা লন অমা ওইরক্লবনি। অদুবু নাগালেন্দগী কেপিটেল টাউনদগী শুপ্লতগী কিলোমিটর ২২ খক্তমক লাপ্লনা লৈবগী মথক্তা নাগালেন্দগী অঙ্গামি ফুরুপশিংনা খুন্দাবা বিশ্বেমা খুলগী শরুক্তা জুকো ভেল্লিগী শরুক খরা য়াওরিবনা মসিগী হাক্কনদা মণিপুরগী মাও মীয়ামগগী মরক্তা ঙাইহাক লৈতনা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকই। থৌদোকশিংসি ঙসি-ঙরাংতগী ব্রাফম নত্তে। থোরকপা কুইরে। নাগালেন্দগী অঙ্গামি ফুরুপকী বোদি ওইরিবা সাউদর্ন অঙ্গামি পীপলস ওর্গনাইজেসন (সাপো) না হায়রিবনা জুকো ভেল্লিগী অয়াম্বা শরুকশিংসি মখোয়গী ফুরুপকী ত্রেদিসনেল বাউন্দরিগী মনুং চল্লি। মসিগী মনুং চল্লিবা ভেল্লি অসিগী শরুকশিংসি মখোয়গী ওইফম থোকই, ওইগদবনি। মখোয়গী কম্মান্দ অমসুং কন্ত্রোলগী মখাদা লৈগদবনি হায়বসিনি। সাপোগী মায়কৈদগী য়ূমথংনরিবা নাগালেন্দ অমসুং মণিপুর ষ্টেট অনীগী টেরিটোরিএল বাউন্দরি অমসুং সর্ভে ওফ ইন্দিয়ানা লেপথোকপা ঙমখৈগী ওফিসল ওইবা শরুক ফাওবা য়ানীংদ্রি। শুপ্লতগী মখোয়গী ওইবা ত্রেদিসনেল বাউন্দরি অদুদা য়ূম্ফম ওইরগা মদুগী মতুংইন্না লেপথোক্কদবনি হায়বসিনি। জুকো ভেল্লিগী মতাংদা সাপোনা হায়দুনা লেপ্লক্লিবা ফিরেপ অসিগা চপ মান্ননা মণিপুরগী মাওগী মীয়াম্নসু হায়রিবনি। মসিদগী নাকল অনীগী মরক্তা দিস্প্যুইটকী ব্রাফমসি হৌজিক ফাওবদা লৈখাই তাদনা লৈরকপনি। থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং লেপ্তনা থোরক্লিবনি।

অদুবু ওইরক্লিবা ফীভমসিদা হৌজিক কনা-কনানা করি তৌবা তাবগে, কৈদৌরগা শাইজিন লোন্নরিবা ষ্টেট অনীসিগী খুঞ্জা মশেলগী মরক্তা মতম চূপ্পগী ওইনা অরোইবা ব্রাখৈনবা অমা পুরকপা য়াগদগে? ব্রাহংশিং অসিগী পাউখুম চপ চানা লৈ। ষ্টেট অনীগী তাইনবদা লৈবা ঙমখৈগী ব্রাথোকসি তাইনফমদুদা লৈবা ষ্টেটশিং অদুগী খুঞ্জাশিংদা মদুগী থৌদাং লৌননবা খূৎশিন্নথোক্লোইদবনি। মণিপুরগী ওইনদি মাওগী মীয়াম নৎত্রগা মখোয়গী লূপ অমত্তদা ইন্থোক্তুনা খূৎশিন্নবগী থৌওং উদ্রি। অদুবু নাগালেন্দগীদি সাপোনা তৌনীং-তৌনীংবতা তৌরকপসিনা মখোয়দা পীথোক্তুনা থম্বদৌনা তৌই। মসিদি চুমদে। য়ূমথংনরিবা ষ্টেট মশেলগী বাউন্দরি নাখৈ শেংদোক্তুনা লৈখাই তাথোক্লবগী থবকসিদি ষ্টেটশিং অদুগী লৈঙাকশিংনা, লৈবাকসি সর্ভে ওফ ইন্দিয়া অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা চপ চানা লেপথোক্লগদবনি। মসিদা নাকল অনীমক্তা শম্ননা খুন্দামিন্নরক্লিবা খুঞ্জা মশেলগী ওইবা ত্রেদিসনগা মরী লৈনবা কয়া লৈরবসু হৌজিক চৎনরক্লিবা লৈবাকসিগী লৈঙাক্লোনগী মতুংইন্না শন্তাইননবা হোৎনফম থোকই। হোয়, মসিগী মতুংইন্না নাগালেন্দ অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা তৌগদবা, তৌফম থোকপশিং অমত্তা তৌদ্রে হায়বা নত্তে। ষ্টেট অনীগী সব দিভিজনেল ওফিসর, দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট অমসুং পুলিসকী সুপরিন্টেন্দেন্টশিংগী থাক্তা ফাওবা ব্রারী-ব্রাতাই কয়া শানবগী থবকশিং পাঙথোকখ্রে। খুল্লোন্নরিবা অনীগী মীয়ামগী লূপশিংগী লেভেলদসু মীফম কয়ারক পাঙথোকখ্রে। অদুবু অসিগুম্বশিংসি তৌরগা মতম খরা নেমথদুনা, ঈংথদুনা লৈরম্লগা ফাখিবা ঈশৈ অমুক ঙংলকই হায়বা অমসুং নোং চুরগা কৈনো পোপথোরকই হায়বদুগী ফীভমদা হেক্তা মথি ফোংলকই। ব্রাথোকসিগা মরী লৈনবশিং উচিদা হেক্তা হঞ্জিল্লকই। মসিনা হকথেংননা লৈমিন্নরিবা খুঞ্জা মশেলগী মরক্তদা নত্তনা ষ্টেট অনীগী মরক্তা থোরকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরকই। অচৌবা ব্রাথোক ওইহল্লকই। মরম অসিনা জুকো ভেল্লিগী ঙমখৈগী ব্রাথোকসি মতম পূম্নমক্কী ওইনা ব্রারোইশিন অমা পুরক্লবা মণিপুর লৈঙাক্লা হোৎনগদবনি। নাগালেন্দ লৈঙাক্লা অমসুং সাপোনা হায়রক্ত্রি হায়দুনা ঙাইদুনা লৈথোকপা চুন্লোই। ষ্টেট লৈঙাক অনীগী মরক্তা লৈখায় তাথোক্লবদা খুরৌ চেল্লক্লগনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিং য়াওহনগদবনি। মসি হায় হায়দুনা নাগালেন্দ লৈঙাক অমসুং সাপোদা নোঞ্জরসি হায়বা নত্তে। অচুম্বা অশেংবশিং পুথোক্লগা অরোইবা ব্রাখৈনবা অমা পুরক্লবা হোৎনগদবনি হায়বনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৬

১) **“মণীগী মঙাল”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **“মখৈ লৈত পেঞ্জবা”** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **“ঈথৈখ্রবা ঈচেল”** হায়বসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **“হিমায় চুম্বা হিরোয়গুম/হিথাংফম য়ৌনা হি হোনলিবী/ঈচেল কনবা লাইজদসু/নৌবু খূৎপায় চেৎলিবী/থোৎলবদা নঙ লৈরাংনি/কনবদা নুংগা চাংদল্লিবী/ঈশ্বরগী অঙকপা খূৎশেম/নুপী নঙ হীংদুনা লৈয়ু/যুগ যুগ খুদিং॥”** শৈরেং মতেক অসি মপান মণিপুরগী অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবসি কনানো? মহাক্কী করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৫) **“লৈমরেন্বীনি ঐ”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ব্রাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ব্রাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ১০৩
## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ব্রাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

মপাঙ্গল কন্না, মতিক ময়াই চেন্না লৈরিবা শুমাং লীলাগী ফীভম অসি ঐখোয় মুন্না য়েংমিন্নবা অমা মথৌ হেন্না তারি। মরমদি ফনা হায়বা শাবনি, মণিপুরদা শুমাং লীলাগী ফীভম অসি খরা শোকচিন্না লৈরে। শুমাং লীলা ভাবোকনা য়াম্না পাম্মী, পাম্না য়েংনৈ হায়বসিমদি অদুম চুমদুনতা লৈগনি। অদুক য়াম্না পাম্না য়েংনরিবা মণিপুরী শুমাং লীলা অসিগী ষ্টেটস, মহাক্কী ইকোনোমি, মহাক্কী গ্রোথ কয়া অসিসু মমুৎ তানা য়েংশিনবা মথৌ তাই। শুমাং লীলা অসি হৌখিবা দিকেদ ৪দগী ৫ মুক্তদি অসুক্কী মতিক মপাঙ্গল কন্না লাক্না ফানা ঙমদনা লৈরকখি। কনাগুম্বা অমত্তনা শোকপা য়াদবগুম, ময়েং শুংতা হেক তাররোইদবগুম শুমাং লীলানা মতিং লৈনা হাই হুম্না লৈরম্মী হায়বসিমসু ময়াম্না অদুম য়ানখিগনি খল্লি। অদুবু হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদদি শুমাং লীলাসি “বাবুসিং ওইনা লৈরি” হায়বগুম Theatre of Absurd হৌদোক্লম্মী হায়না ফাওবা হায়নরিবা মালেমদা মমিং লৈরবা প্লেরাইট দিরেক্টর Samuel Beckett কী “Waiting for Godot” তা Valdimir অমদি Estragon কৌবা প্লেগী কেরেক্টর অনীনা মখোয়বু অনৌবা মঙাল অমা পীহনবা ঙমগনি হায়না থাজজবা “Godot” ঙাইবগুম তাদুনা লৈরক্লে।

মমাঙঙৈ মপাঙ্গল কল্লম্বা অদু হৌজিক অদুম লেঙদনা লৈগনি হায়বসিমসু খক চুন্লোই। মতমগী মতুংইন্না অহোংবা শোয়দনা লাক্কনি। অদুবু মতম হায়বা অসিগী ফীভম অসি মতম মতমদুদা লৈরিবা অহিংবশিং অদুনা য়াম্না চেকশিন্না শেন্নবা অমা চঙই। নৎত্রগদি শাথীখ্রবা মতমগী শাহুম অদুনা হান্না লৈরম্বা অমদি চেকশিন তাশিল্লম্বা খুদিংমক ইরায় লায়না হুমদোকখিগনি। মদুগী শাহুম অদু মতম্না পুরক্তুনা হুল্লবদা ঐখোয়গী শুমাং লীলা হুমখ্রবরা, মচিৎ খরদমক লৈহৌরব্রা হায়বা ব্রাহং অসি হৌজিক কন্না থোরক্লি। মসিগী অশেংবা পাউখুমদি মতমসিগী মীরোলনা খুন্বীফম থোকই। ব্রারেংজরিবা ঐগী ব্রাখল খরদং থমজবা তারবদি, হৌজিকসু হান্নগী মতৌগুম্না মতিং লৈনা লৈহনখিবা য়াখিগনি। থিন্থুরিবমখৈ মসিগী খুদোংচাবা অসুম মাঙখিদুনা অতোপ্পা মীওইবগী পূক্লিং ব্রাখলবু খুদুম চনবা ঙম্বা পাম্বে অমা লাক্তুনা শুমাং লীলা মীওইবদগী শোয়দনা ইন্থোরক্কনি। মদুগী অব্রাবা অমদি মদুগী খুদোংথীবা অদুমক লাক্ত্রিঙৈদা ঙসিগী মীরোল অসিনা চেকশিন্না ঙাকলৌ অমা পীহৌবা মথৌ তারি খল্লি।

শুমাং লীলাগা খুন্নাই মীয়ামগা লৈনরম্বা অমদি মসিগী কান্নবা, মসিনা পীরিবা পুন্সি ইরিক কয়া অদুমদি মীয়াম্না থোইদোক্লা হেন্না খঙনদুনা লৈরে, অদুগীসু মথক্তা ঐহাক্লা অসুক শাংনা ব্রারেং চান্মা হেন্না ইদুনা মীয়ামদা লান্থোকখ্রবনিনা অমুক হন্না পঞ্জররোই। ইশম শম্না হেক হায়রবদা শুমাং লীলাগা ঐখোয়গী লমদমসিগী মীয়ামগী পুন্সিরোলগদি অসুক্কী মতিক নক্লে, করিগুম্বদা মরুপনি, করিগুম্বদনা হীদাকনি, করিগুম্বদা থম্মোয়, মীৎয়েং, ব্রাখল, থৌদাং খোগোপ্পা খুদিংমক্কী অমোৎপবু শুদোক চামথোক্লবা শুধা সাপোননি, করিগুম্বদনা ব্রারবা পূক্লিংবু থেমজিন্নবা খ্বাইদগী লায়বা অমদি অফবা মখলগী অতাঙবা মন্ত্র অমগুম্বনি, করিগুম্বদা অমত্তা ঙাইরবা হিংনবা পাম্বেনি। মসিবু মরম চানা শীজিন্নবা হায়বসি ইকান্দা কান্নে। নত্তদুনা হেনজিন্না শীজিন্নরবদি অফবা হীদাকসু দোজ হেল্লবদি ফত্তবা ওইরকই হায়বা লৈরিবা অদুনি। শুমাং লীলানা মীওই কয়া অমগী পুন্সিদা অহোংবা কয়া অমা পীখ্রে। ইমুং মনুংগী ওইবা অরুবা ব্রাফম কয়াদা কনা অমত্তনা ব্রাহৈ ব্রাতা শীজিন্নদুনা তক্লা তিক্লদ্রসু মশা মশানা ব্রাখলগী পো কাংনরক্তুনা অফবা মায়কৈরোমদা চঙশিন্নখিবা কয়া অমগী ব্রারী অমদি থৌদোক খুদমশিং মরাং কায়না লৈরি। অদু ওইরবদি অসুক ফখ্রবা পর্ফোর্মেন্স মখল অসিনা ঙসি ময়েং খংতা তারক্লিবা অসি করিগীনো? মসিদগী হেন্না ফবা অতোপ্পা পাম্বে অমা লমদমসিগী মীয়ামদা লৈখ্রবরা? নৎত্রগনা লীলা অমগী মনুংদা য়াওরিবা লৈরিবা কন্টেন্টশিং অদুগী মনুংদা শুপ্লতগী ইন্টরটেনমেন্ট হায়বা অদুখক্তমক ঙাইরবরা? ইন্টরটেনমেন্ট হায়বা অসিগীদি মীওইবগী অপাম্বগী পনখৈ লোইনমক লৈনৈ। অদুনা শুমাং লীলানা পীবা ইন্টরটেনমেন্ট অদুখক্তনা মীওইবগী অপেনবা ওইরক্তবা য়াই। অদুনা মসিদগী হেন্না ইন্টরটেন তৌবা ঙম্বা অতোপ্পা অমা লৈরবদি মদোমদা মায় লৈশিনখিবা হায়বসিদি মীওইবগী নেচরনি। মসিদা করিসু থিংবা ঙস্ফম থোক্তে। শুমাং লীলানা পীবা ইন্টরটেনমেন্টকী শরুক অসি ঙাইহাক নোকহনবা, নোকহন্নবা হোৎনবদা অরায়বা পাম্বে শীজিন্নবা, ঙাইহাক নোকপদুনা থম্মোয়দা ইতুং তুংশিন্দুনা লৈহৌদবা, কোঙ্গোলগুম অদুম তাকখিবা ওইরবদি মদু মীওইবদা ইকান কান্নদবা ঙাইহাক্কী ওইবা ইন্টরটেনমেন্টনি হায়না লৌনরকই। অদুনা হঞ্জিন হঞ্জিন্না ঙাইহাক ঙাইহাক্কী পীবা অপেনবা অদু পান্নক্তদুনা অনৌবা মনুংঙাই অমা থিরকপদা, শুমাং লীলাদগী খজিক খজিক লাপথোক্লিবরা মসিগুম্বসিসু নৈনবদা অদুম কান্নগনি। মমাঙঙৈগী শুমাং লীলাদা পীরম্বা নোকপদবু ওইরো, অমবু ওইরো য়াম্না খেন্নরে হায়বসিমদি লোইনা খঙনরে। নোকপা ওইরবসু থম্মোয়দা তুংদুনা লৈহৌবা য়াবা, খাংঙমদবা শিংলিগী কাঙলম অমা চুম্না চৎপা, নোক্লা নোক্লা ব্রাখল খলহনবা ঙম্বা পাম্বে, ঙসিদি ময়াক য়াওদ্রবা মহাউ চম্বা ওইনা তৌরকপা অসিনা চিলহাও থিগনবা মীওইবগী মীৎলমদগী শুমাং লীলানা নান্থোকখিবগুম হায়নবসু য়াওদবা নত্তে। অদুনদি ক্বালিটি লৈবা, লিটরেরি মিনীংফুল ওইবা, পুন্সিগী হকচিনবা মপাউ পুবা ঙম্বা চং থোকপা লীলা মখল খরা মণিপুরী শুমাং লীলানা মথৌ তারি।

ব্রাফম খরা অসিদা খরা হেন্না কূপ্লা নৈনবা অমা চঙই। পাউখুম পীগে হায়রগদি পংহায় হায়বা য়াই। পংহায় হায়বদুনদি তুং কোইবা ঙমগনি থাজদে। একাদেমিক ওইনা কুপ্লা য়েংমিন্নবা অমা মথৌ তারি। দিফেন্স মেকানিজম ওইনা ঐখোয়না পংহায় হায়নবা অসিদগী শুমাং লীলাগী গ্রোথ অসি হন্থরক্লব্রা হায়বসি চিংনদবা ঙমদ্রে। মণিপুরদা কৌনরিবা লীলা অসি পার্টি য়ামশিল্লক্ত্রে। অনী অহুমগুম্বদগী হেন্নদ্রে। মতম অমদদি লীলা পার্টি তরা লৈরম্বদা, ১৫ লৈরম্বদা লোইনমক চাং নাইনা চৎতুনা মীয়ামগী থৌগল তৌরম্বনি। ঙসিদি মীওই খরখক্তগী হায়বদি পার্টি খরগী ওইনা মণিপুরগী শুমাং লীলানা হিংলকপা অসি চহী খরা হায়জিল্লক্লে। মসিগী অচৌবা মরম করিগীনো? ব্রাহংশিং অসি লাকপদা পাউখুম ওইনা খুন্নরিবনা, লীলা নুংঙাইতদুনা তৌরিবনি, লীলাবু নুংঙাইরবদি অদুম কৌনগনি। মোইসু লীলাদু নুংঙাইনবা তৌগদবনি। অদুদি লীলাদুদি করম্না নুংঙাইগনি? লীলা অমা নুংঙাইহনবদা করি মচাক চংই। ফাগি তৌবা হৈবা অমা অনী, কপ্পা হৈবা অমা অনী খক্তনা লীলাসি হেক্তা লোইরবরা? ফাগি হায়বসিদি করম্না শুগনি? ফাগি কনানা তৌগনি? ফাগি তৌবা হৈত্রবদি মণিপুরী শুমাং লীলা হেক্তা তোক্লগদ্রা? অনৌবা থোরক্লিবশিংদা হায়রিবা কয়াশিং অদুগী মতিক ময়াই চেনবা য়াওদ্রবদি করম্না মখোয়বু গ্রুম তৌরগা কদাই ফাওবা তৌহনবা য়াগদগে হায়বা কাঙলোন অমগী নৈনবা মথৌ তাদবরা? মখা তাবা শেমগৎহৌদ্রবা, অনৌবা পাম্বে থিহৌদ্রবদি লৈকংলা ওইরক্কনি। অরিবনা অনৌবা শেমগদবনি। অনৌবশিংনা অব্রাংবা চীংদোল করম্না কাগদগে হায়বদুগী পো কাঙলমফম থোকই। মতাং অসিদদি ঐখোয়না তৌগদবা থৌদাং য়াম্না চাওরি হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্কী কোক্তা মতম চূপ্পদা পুদুনা চৎপা অদুগা লোয়ননা মদুগা চান্নবা থবক তৌবা অমা মথৌ তাই খল্লি। ●

# মরিশুবা ব্রর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিল মীফম

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

ব্রর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিল ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরগী ঈনাৎ, ইরোল, ঙমখৈ অমদি অতোপ্পা ইরমদমগী ওইবা শোন্থহৌরবা নৎত্রগা মূৎখিগদৌরবা মরু ওইবা হীরম কয়াদা মায় ওনশিন্দুনা হায়রিবা হীরমশিং অসিবু মতম চানা চিংখৎনবা হোৎনবদা য়াম্না চাওনা শরুক য়াদুনা লাক্লিবা লূপ অমনি। হায়রিবা শোন্থহৌরবা হীরমশিং অসিবু চিংখৎনবা হোৎনবদা ঐখোয় মীতৈ/মৈতৈশিং পূনশিন্দুনা চৎমিন্নবা মথৌ তাই হায়বা পান্দম অসিগা লোয়ননা ব্রর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলনা চহী খুদিংগী চহীগী ওইবা মীফমশিং পাঙথোক্তুনা লাক্লি। হায়রিবা মীফমশিং অসিদা মতম মতমদুগী ওইবা ইচেলদা থেংনখিবা নৎত্রগা থেংনরিবা খ্বাইদগী মরু ওইবা, ফোঙ ফোঙ শারিবা হীরমশিংদা য়ূম্ফম ওইদুনা চহীগী ওইবা মীফমশিং অসি পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

ব্রর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলগী মরু ওইবা পান্দমদি মালেমগী মফম কয়াদা লৈরিবা মীতৈ/মৈতৈ পূম্নমক পূনশিন্দুনা শোন্থরক্লবা, কায়থরক্লবা, শিখিবা, মুৎখিবা য়ানা লৈরিবা মীতৈ/মৈতৈ হায়রিবা ফুরুপ অসিবু অমদি ফুরুপ অসিগী লোল, নাৎ অমদি কংলৈপাক/মণিপুরগী ঙমখৈবু কলহৌবা অসিনি। ব্রর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিল অসি ২০১৮গী ওক্টোবর ১দা ওফিসল ওইনা হৌদোকখিবনি। ওজা হৈগ্রুজম নবশ্যামনা ব্রর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলগী চ্যেরমেন ওইনা থৌ পুদুনা ইরমদমগী ওইবা অরুবা হীরম কয়াবু চিংখৎনবা হোৎনদুনা লাক্লি।




ব্রর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলনা হেন্না হেন্না মপাঙ্গল কনখৎলকপগা লোয়ননা চহী চহীগী ওইবা মীফম ফমদুনা লাক্লি। অহানবা ব্রর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলগী মীফম ২০১৯গী জন্যুব্রারী ২৭তা পাঙথোকখি। অহানবা মীফম অসি ইরমদমগী ইম্ফাল সিটিদা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা লৌখিবা মরু ওইবা ব্রারেপশিং শন্নপ্না পঞ্জরবদা ব্রর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলগী তুংদা থবক ওইনা পাঙথোক্কদবা, য়ৌনীংলিবা, ফংনীংলিবা পন্থুংনচিংবা পান্দমশিং অসিগা লোয়ননা দল্লিয়ু এম সীনা ইন্দুনা চৎকদবা প্রিন্সিপলস অমদি গাইদলাইননচিংবা য়াওরি।

অনীশুবা ব্রর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিল কছারগী লমারগ্রামদা ২০২০গী মার্চ ৪-৫ ফাওবদা পাঙথোকখি। মীফম অদু ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরগী ওনরেবল চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা চীফ গেষ্ট ওইদুনা হৌদোকখি। মীফম অদুদা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী অমদি ম্যান্মারদগী লাকপা মীওই লিশীং ৩০০০ মুক্লা শরুক য়াখি। মীফম অদুগী মরু ওইবা পান্দম্না মালেমদা লৈরিবা, তারিবা মীতৈ/মৈতৈ পূম্নমক পুনশিন্দুনা অমত্তা ওইনা মায়কৈ খুদিংমক্তা চাওখৎনবা হোৎনবা অদুনা ওইখি।

ব্রর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলগী অহুমশুবা মীফমনা ২০২১গী এপ্রিল ১৬-১৭তা ন্যু দেল্লীদা পাঙথোকখি। হায়রিবা মীফম অসিগী মরু ওইবা থিমনা ‘Reawakening our spirit of oneness’ না ওইখি। মীফম অসিদগী হৌনা ঙসি ফাওবদা ব্রর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলনা এস টি দিমান্দবু শৌগৎতুনা লাক্লি। মীফম অদুদা ব্রর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলগী ভাইস চ্যেরমেন কে এন চান্দনা ইরমদমগী মীয়াম্বু মীতৈ/মৈতৈশিংনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্টতা য়াওনবা হোৎনবা ঈহৌ অসিবু শৌগৎপীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

মতৌ অসুম্না চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকখিবা ব্রর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলগী মরিশুবা মীফম লাক্লিবা কুমজা ২০২৩গী জন্যুব্রারী থাগী ২৯দা নীংথিজরবা ইরমদমগী শুগনুগী পলিকা লম্পাক্তা পাঙথোক্লগনি। মরিশুবা মীফম অসিগী থিমনা “Reawakening our spirit of oneness in thoughts and action” হায়বসিনি। ইরোলদা হায়রগদি ব্রাখলদা অমদি থবক্তা অমত্তা ওইনা চৎমিন্নবা হায়বনি। ঐখোয় মীতৈ/মৈতৈ খুন্নাইদা তোখায় তোখায় তানা চৎনবগী হৈনবী অমা লৈবনা ব্রর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলনা মালেমদা লৈরিবা মীতৈ/মৈতৈ পুনশিন্দুনা অমত্তা ওইনা চৎমিন্নবা হায়বসি য়াম্না লূম্না অমদি লুনা লৌই।

ব্রর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলনা চহী মরি ফারকপসিদা ঙসি ঙসি লূপ অসিনা খ্বাইদগী পূক্লিং চঙনা হোৎনরিবসি মীতৈ/মৈতৈবু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্টতা চলহন্দুনা নোংমা নোংমগী থবক্তা, শেল-থুমদা অমদি চাওখৎ খোঙথাংদা শোন্থরক্লিবা, কায়থরক্লিবা ফুরুপ অসিবু অমুক হন্না চিংখৎতুনা ম্যেনলেন্দ ইন্দিয়াগা চৎমিন্নবা ঙম্নবা হোৎনরি। অদুগা নাকল অমরোমদনা লমদম অসিদা লৈবা চীংগী ফুরুপ খরনা মীতৈ/মৈতৈনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্টতা চলহন্নবা হোৎনরকপসি মখোয়গী থবক অমদি লম লৌশিন্নবনি হায়না পাউচে অমদি অতৈ মীদিয়াশিংদা শন্দোক্তুনা, মীতৈ/মৈতৈনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্টত চনবসি চলহন্দনবা হোৎনদুনা লাক্লি। মতাংসিদা থমজনীংলিবা ব্রাফমদি করিগীদমক চীংগী ফুরুপ খরা ঐখোয়গা পূন্না চাওখৎমিন্নবা পামদ্রিবনো হায়বসিনি। ঐখোয়না হায়রিবদি পূন্না চাওখৎমিন্নসি হায়বনি।

অদুবু হেন্না লাইবক থীবদি মীতৈ/মৈতৈ কাঙলূপ খরনা ইহৌ অসিবু মথৌ তাদে হায়দুনা অয়েৎপা পীরি অদুগা ঐখোয়গী ইরমদমগী লৈঙাকসু মদু মঙাই। চহী ১০ হেল্লক্লে সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি ওফ মণিপুরনা সেন্টর লৈঙাক্লা মণিপুর লৈঙাক্তগী এস টি লিষ্টতা চনবগী রেকমেন্দেসন লেট্টর অমা থাহল্লক ও হায়রকপদো ঙসি ফাওবা থাবীদনা লৈরি। অসিগুম্বা মণিপুর লৈঙাক্কী থৌশাবীদবা মওং অসিদনি ব্রর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলসু এস টি দি সী এমগা চৎমিন্নদুনা হোৎনরিবা। লাক্লিবা দিসেম্বর ২৫দা দেল্লীগী জন্তর মন্তরদা সিট ইন প্রোটেষ্ট চখ্থগদৌরি মীতৈ/মৈতৈবু ইন্দিয়াগী এস টি লিষ্টতা চলহনবীয়ু হায়দুনা।

মতাংসিদা ঐহাক্না থমজনীংলিবা ব্রাফমদি ঐখোয় চাওখৎপা কাঙলূপনি, হৈশিংবা কাঙলূপনি, থাক ব্রাংবা কাঙলূপনি হায়দুনা মুক্তুনা লৈদুনা মূখৎখ্রসিরা নৎত্রগা ঐখোয় ফুরুপসি এস টি লিষ্টতা চন্দুনা ম্যেনলেন্দ ইন্দিয়াগা চাওখৎ খোঙথাংদা চাং খরতা ওইরবসু মান্ননা চৎমিন্নবনা ফগদ্রা হায়বদু খন্থবীয়ু হায়বসিনি। এস টি লিষ্টতা য়াওদনা লাক্লবসু করম্বা ম্যেনলেন্দ ইন্দিয়নশিংনা ঐখোয়বু চাওখৎপা ফুরুপনি হায়না লৌবীবগে। নোর্থ ইষ্টকী ব্রাংমদা হেক থোকখিবদা ঐখোয়সি লোইনা অদুম মান্নবনি এস টি ওইগেরা ওইরোইরা।

অদুগা ঐখোয়গী শক-চু মান্নবা নোর্থ ইষ্টকী ফুরুপ, কাঙলূপ কয়া অমনা এস টি লিষ্টতা চন্দুনা কান্নবা কয়া লৌরি অদুগা ঐখোয়না এস টি নত্তে হায়দুনা মুক্তুনা লৈরিঙৈ ঐখোয়দি উচি মখুলদা সুম সুম হনজিন্দুনা চৎলি। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসননা পীরিবা কান্নবা কয়া অসি ফংদনা লাকপনা ঐখোয় মীতৈ/মৈতৈ ফুরুপসি মূৎখিবা য়ানা লৈরি। মরম অসিনা ঐখোয় এস টি লিষ্টতা চলহন্দুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পীরিবা কান্নবা খরসি লৌহৌবনা ফবরা নৎত্রগা ঐখোয়দি চাওখৎলবা কাঙলূপনি (চাওদি চাওখৎতবা, হেন্না হেন্না শিথরক্লিবা কাঙলূপ) হায়দুনা মুক্তুনা লৈখিসিরা হায়বসি য়াম্না লূম্না খন্থদুনা থবক তৌফম থোকই।

লোইশিল্লকপদা, ইরমদমগী ঙমখৈবু কঞ্জনীংবা, ইফুরুপকী ইনাৎ, ইরোল, লাইনীং লাইশোল, হৌনা লোনচৎ, থৌগল্লোন্নচিংবা কয়াবু কঞ্জনীংবা লোয়ননা শেল-থুম অমদি চাওখৎ খোঙথাংদা ফুরুপ অসিবু মাঙদা পুশিন্নবা হোৎনরিবা ব্রর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলবু পূক্লিং থৌগৎপীদুনা, অঙম্বা শেলগী অমদি থবক্কী মতেং পীবিদুনা, শৌগৎপীদুনা লাক্লিবা মথং চহীগী জন্যুব্রারী থাগী তাং ২৯দা শুগনুগী পালিকা লম্পাক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মরিশুবা ব্রর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলগী শুগনু মীফম অসিবু মায় পাকহনবদা শরুক য়াবীয়ু হায়না লাপ্লবা টাইব্রানদগী নোল্লুক্লা পাউজেল থমজরি ইরৈচা খুদিংমক্তা। ইশামক চৎতুনা শরুক য়াবা ঙমজদ্রবসু ঐহাক্কী মায়কৈদগীসু অঙম্বা শেলগী ওইবা মতেং খরতা ওইরবসু শোয়দনা পাংজগনি। মীফম অসিগী মরমদা মরীক চুম্না খঙবীনীংবা ইরৈচাশিংনা থমজরিবা ফোন নম্বরশিং অসিদা পাউ ফাওবীয়ু : +918974217776, +918730960805.

মথক্তা থমজরিবা ব্রাফম খরা অসি ঐহাক্লা খঙজবা ব্রাফম খরা অদুক পাউদমজবনি। অশোয় অরান অমদি অব্রাৎপা কয়া য়াওরম্বা থোক্লবসু দল্লিয়ু এম সী অমদি এস টি দি সী এমগী থৌবুরেলশিংনা ঙাকপীগনি। পুনশিনবনা য়াইফরে, য়াইফমিন্নরসি। থাগৎচরি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ব্রারেংশিং অসিগী ব্রাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ব্রাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।